# সরেন্দর তৌনবা থাবা মতম লোইখিবদগী ইথিওপিয়ানা তিগ্রেগী কেপিটেলদা চঙশিল্লগনি



অদিস অবাবা, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী): ফেদরেল গভর্ণমেন্ট শিংনরিবা নোরদর্ন ফোর্সশিংদা খূৎলায় থাদোক্লবা থাখিবা মতম লোইখিদুনা চয়োল অনী হৌজিনখ্রবা কনফ্লিক্ট অদুদা তিগ্রে রিজনগী কেপিটেল মেকেলেদা অরোইবা ওইগদবা লাঞ্জং অমা চঙশিনবগী তানফম লাক্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা চেকশিনৱা হায়খ্রে।

তিগ্রেগী স্পেসল ফোর্সেস অমসুং মিলিসিয়াদা সরেন্দর তৌনবা পীখিবা নুমিৎ হুমনিগী অলটিমেটম ঙসি লোইরে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা ফেসবুক পোষ্ট অমদা হায়খি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লো ইনফোর্সমেন্টকী থবক পাঙথোক্লগনি।

কুমজা ২০১৯দা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখিবা আফ্রিকাগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা অবিনা লোকল রুলিং পার্টি তিগ্রে স্পেসল লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) পু ফেদরেল গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটি শিংনদুনা লান তৌবগী মরাল শীবগা লোয়ননা হৌখিবা নবেম্বর ৪দা এয়র ষ্ট্রাইক অমসুং গ্রাউন্দ ওফেন্সিভ হৌখি।

তিগ্রেয়ন লিদরশিংনা হায়রিবদি ইথিওপিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ইথনিক গ্রুপ ওইরিবা ওরোমোগী মীওই অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৪৪শুরবা অবিনা কুমজা ২০১৮দা লৈঙাক্কী পাৱর পায়খিবদগী মখোয়বু তাথী তাওইনা তৌখি, গভর্ণমেন্ট অমসুং সিক্যুরিটি পোজিসনশিংদগী লৌথোকখি হায়বসিনি।

তিগ্রেয়ন ফোর্সশিংনা চয়োল অসিদা য়ূমথংনরিবা ইরিত্রিয়াদা রোকেট কয়া কাপশিনবদগী মীওই চা কয়া শিখ্রবা কনফ্লিক্ট অদু হেন্না লুশিনহনখি। দিপ্লোমেটিক ছোর্স অমনদি কম্বেটেন্ট অমসুং মীচম লিশীং কয়া শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা কনফ্লিক্ট অদুনা মরম ওইদুনা রেফ্যুজি লিশীং ২৫ সুদানদা চেনশিনখ্রে।

ঈ-পাউ ফাওনবগী থবকশিং ফেল ওইখিবা অমসুং মীদিয়াগী মীওইশিং চঙহন্দবনা মরম ওইদুনা নাকল অনীমক্লা হায়রিবা ৱাফমশিং এজেন্সীনা নীংতম্না ভেরিফাই তৌবা ঙমখিদে।

ইথিওপিয়ন ফোর্সশিংনা তিগ্রেগী কেপিটেল মেকেলেগী মনাক্তা লৈবা টি পি এল এফকী টার্গেটশিংদা ষ্ট্রাইক তৌখিবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর অবিনা ৱার্নিং অসি পীখিবনি। ইথিওপিয়ন নেসনল দিফেন্স ফোর্সনা মেকেলে সিটি ময়াদা খন্দোক্লবা টার্গেটশিংদা সর্জিকেল এয়র ওপরেসনশিং পাঙথোকখি। মদুদা সিভিলিয়ন টার্গেট য়াওখিদে হায়না গভর্ণমেন্টকী ইমর্জেন্সি টাস্ক ফোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

# ত্রম্পকী মতুংদা য়ুরোপনা য়ু এসকী মতেং য়াওদনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্মী উৎকদৌরি

ব্রুসেলস, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী): অমেরিকাদা দোনাল্ড ত্রম্পকী মতম লোইরক্তুনা জো বাইদেননা প্রসিদেন্সি পায়গদবা মতম কুইশিল্লক্ত্রে। তৌইগুম্বসুং কন্টিনেন্ট অসিগী ঙাক-শেনগী মতাংদা মখা তানা অমেরিকাগী মপান তাংখিগদ্রা হায়বগী মতাংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মিনিষ্টরশিংনা চয়োল অসিদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ফিরেপ অমা লৌগদৌরি। মীফম অদুদা য়ুরোপনা মপাঙ্গল কন্না লৈদুনা কন্টিনেন্ট অসিগী ঙাক-শেনগী মতাংদা য়ু এসকী মপান তাংদনবা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌরবা য়াই হায়রি।



ঈ য়ুগী ফোরেন অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা শগোলশেল অমসুং ইরাই নুমিৎতা টেলিকনফরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা ব্লোক অসিগী জোইন্ট দিফেন্স কেপেবিলিটিজগা মরী লৈনবা অহানবা চহীগী রিপোর্ট পুথোক্কনি। রিপোর্ট অদুনা ব্রেক্সিট অমসুং ত্রম্পকী মতুংদা ঈ য়ুবু মীপান তাংদবা ঙম্বা মিলিটরি পাৱর অমা ওইনা লৈনবা হোৎনবা হায়বসিনা য়ূম্ফম ওইরগনি। ঙাক-শেনগী মতাংদা য়ুরোপনা মীপান তাংদনা লৈনবগী ৱাফম অসি ফ্রান্সনা হৌদোরকখিবনি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইরগদবা জো বাইদেননা ত্রম্পনা তৌরম্বা মীচংশিংদা অকনবা ৱাফম কয়া থমদুনা ঙাঙবগী থৌওং অদু চত্থররোই হায়জরবসু য়ু এসকী নুংগী পাউজেল হায়বদি য়ুরোপনা মশাগী ঙাকশেনগীদমক্তা চাদিং হেন্না পুথোক্কদবনি হায়বসিদদি অহোংবা লাকহল্লোই হায়না য়ুরোপিয়ন দিপ্লোমেটশিংনা হায়রি।

ঈ য়ুগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, বাইদেননা মায় পাক্লক্লিবসিনা হায়রিবদি য়ুরোপনা ঈ য়ুগী ওইবা ঙাক-শেনগী থৌরাং অমা লৈগদবনি, কান্নবা অমদি মপাঙ্গল লৈবা মীচং অমা ওইগদবনি হায়বসিনি। নাটো এলাইএন্সকী ওইনসু ফীভম অসি মান্নে।

ঈ য়ুনা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বরদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মপান তাংদনা অহেনবা খূৎলায়শিং পুথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখি। থৌরাং অসি মরু ওইনা ব্রেক্সিটকী মতুংদা ঈ য়ুগী মরু ওইবা মিলিটরি পাৱর ওইনা লৈহৌরিবা ফ্রান্সকী লিচিং মখাদা পায়খৎলকখিবনি।

বৃটেননা মেম্বর ওইরিঙৈ মনুংদদি লন্দননা ঈ য়ুগীদমক্তা মিলিটরিগী ওইবা মরু ওইবা থৌদাং লৌবগী ৱাফম অসি য়াখি। অসুম্না য়ুরোপকী ঙাক-শেনগী মতাংদা নাটোনা ওইনা মরু ওইবা ফোরম অমা ওইহন্দুনা লৈখি। বৃটেননা ঈ য়ু থাদোকপগী ফীভম লাকখিবদগী পেরিসনা মতম শাংনা পামদুনা লাক্লবা ঙাক-শেনগী মতাংদা ঈ য়ুবু হেন্না চাউবা থৌদাং লৌহনবা য়াবগী খুদোংচাবদু ফংহনখি।

# য়ু এসকী ৱারসিপ অমনা আই সী বি এম অমা থুগাইবা ঙমখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী): য়ু এসকী লানগী জহাজ অমনা অকক্লবা মফম অমদা টার্গেট ওইনা কাপ্লকপা ঙম্বা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল (আই সী বি এম) অমা লমখাংদা থৎতুনা থুগাইখ্রে হায়না য়ু এস মিসাইল দিফেন্স এজেন্সী (এম দি এ) না ফোঙদোকখ্রে।



এম দি এগী মতুংইন্না চাংয়েং অদু হৱাইয়ীগী অৱাং নোংপোক্তা পাঙথোকখিবনি। থা অসিগী ১৬তা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুদা এজিস বলিষ্টিক মিসাইল দিফেন্স য়াওনা দিসট্রোয়র অমা শীজিন্নখি। করম্বা দিসট্রোয়রনো হায়বদি এম দি এনা ফোঙদোকখিদে।

এজিস বি এম দিগী খুদোংচাবা য়াওবা ভেসেল অমনা এস এম-৩ ব্লোক টু এ মিসাইল শীজিন্নরগা আই সী বি এম ক্লাসকী টার্গেট অমা থুগাইবা ঙমই হায়বসি ঐখোয়গী চাংয়েং অসিনা উৎলে হায়না ভাইস এদমিরেল অমসুং এম দি এগী দিরেক্টর জোন হিলনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেন্দর্দ মিসাইল ৩ ব্লোক ২ এ (এস এম - ৩ টু এ) অসি রেথিওন কো অমসুং জপানগী মিটসুবিশি হেভি ইন্দষ্ট্রিজ লিমিটেদনা পূন্না পুথোকমিন্নবনি। তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা রেথিওননা হায়, আই সী বি এম অদু আর্থকী এটমোসফ্যেরগী ৱাংমদা থুগাইখি। চাংয়েং অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু আই সী বি এমশিংদগী ঙাকথোক্লবা মওংদা দিজাইন তৌবা রাদরশিং, এন্টি বিলিষ্টিক মিসাইলশিং অমসুং অতৈ ইক্বিপমেন্টকী নেটৱার্ক অমা ওইরিবা গ্রাউন্দ-বেজ মিদকোর্স দিফেন্স (জি এম দি) সিষ্টম হেন্না ইফেক্টিভ ওইহল্লগনি হায়না হিলনা ফোঙদোকখি।

মিসাইলনা অকিবা পীরক্লিবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা অহেনবা সেন্সরশিং অমসুং ৱেপন সিষ্টমশিং হাপচিল্লগা জি এম দি সিষ্টম হেন্না ফগৎহনবা য়াগদ্রা হায়বগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট অসিনা থিজিল্লি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# এম পি অমা পোজিটিভ ওইরম্বদগী য়ু কেগী এম পি ১০ সেল্ফ ক্বারন্টিন তৌরি

লন্দন, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী): কঞ্জার্ভেটিভ এম পি অমা কোরোনাভাইরস টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্বদগী পার্টি অসিগী অতৈ এম পি ১০ অমদি প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন হৌজিক সেল্ফ আইসোলেসন তৌরি হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কঞ্জার্ভেটিভ এম পি লি এন্দর্সননা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, নবেম্বর ১৩দা চাবা থকপদা মহাও মাঙলকখিবা মতুং কোভিদ-১৯গী টেষ্ট পাঙথোকপদা পোজিটিভ ওইরম্বদগী মহাক অমসুং মহাক্কী লোয়নবী নাইতোম ওইনা লৈরে।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না নবেম্বর ১২দা এন্দরসননা জোন্সন অমদি অতৈ কঞ্জার্ভেটিভ এম পি মঙা - এন্দি কার্টর, কেথ্রিন ফ্লেটচর, ব্রেন্দন ক্লার্ক-স্মিথ, ক্রিস ক্লার্কসন, লিয়া নিসিহুগা লোয়ননা ১০ দাউনিং ষ্ট্রীটতা পাঙথোকখিবা মীটিং অমদা শরুক য়াখি। এম পি মঙা অসিসু হৌজিক সেল্ফ-ক্বারন্টিন তৌরি। মীফম অদুদা য়াওখিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী পোলিটিকেল এইদশিংসু ক্বারন্টিন তৌরি।

চৈরকসিদা, অতোপ্পা এম পি অনী - মার্কো লোংহি অমসুং মাট ভিক্কর্সনা মখোয়সু এন ঐচ এস টেষ্ট এন্দ ট্রেস সর্ভিসতগী মেসেজ অমা ফংবদগী সেল্ফ আইসোলেসন তৌরি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে। মখোয় নবেম্বর ১২গী মীফম অদুদা য়াওখিব্রা হায়বদি শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্সমেন অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, মীফম অদুদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং ঙাকখি। বিল্ডিং অদুদা লাকপা মীওইশিং খুদক্তা হেন্দ সেনিটাইজর ফংহল্লি অদুবু মীটিং অদুগী মতম য়াম্না শাংবা মরম্না টেষ্ট এন্দ ট্রেসকী পাউতাক্তা প্রাইম মিনিষ্টরসু সেল্ফ আইসোলেসন তৌরিবনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদা হৌজিক ফাওবদা য়ু কেদা মীওই ১,৩৯৪,২৯৯ পোজিটিভ ওইরে অমসুং মীওই ৫২,২৪০ শিখ্রে। য়ু কেদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই ৫০,০০০দগী হেন্না শিবা য়ুরোপকী অহানবা লৈবাকনি। য়ু এস, ব্রাজিল, ইন্দিয়া অমসুং মেক্সিকোগী মথংদা লাইচৎ অসিনা মশীং অসি য়ৌনা মী শিবদা য়ু কেনা মঙাশুবা লৈবাকনি।

# পাকিষ্টান্দা ইস্লামিষ্টশিংনা কার্টুনগী মতাংদা তৌগনি হায়রম্বা প্রোটেষ্ট হন্দোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী) : ফ্রাঞ্চকী পোথোকশিং বোইকোট তৌবগী দিমান্দ গভর্ণমেন্টনা য়ারকপদগী পাকিষ্টানি ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অমনা প্রোফেট মোহম্মদকী কার্টুনশিংগী মতাংদা কৌখিবা প্রোটেষ্ট হন্দোক্লে হায়না গ্রুপ অদুগী স্পোক্সমেননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



হন্দক্তা ফ্রান্সতা প্রোফেট মোহম্মদকী কার্টুনশিং উৎখিবগী মতাংদা পাঙথোরকখিবা প্রোটেষ্টশিংগী মনুং চন্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা কেপিটেল ইস্লামাবাদকী চিসাইদা ইস্লামিষ্ট লিশীং কয়ানা পুলিসকা খূৎ থোক্লখি।

ফ্রান্সকী পোথোকশিং বোইকোট তৌবগী ৱাফম ওফিসল ওইনা অয়াবা পীবগী এগ্রীমেন্ট অমা গভর্ণমেন্টনা খূৎয়েক পীবদগী ঐখোয়না প্রোটেষ্টকী থৌরাং অসি কেন্সেল তৌরে হায়না টেহরিক-ঈ-লাবাইক গ্রুপকী স্পোক্সমেন ইজাজ অশ্রফিনা ফোনগী খূত্থাংদা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখি।

এগ্রীমেন্ট অদুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেনগী কমেন্ট লৌবা ঙমখিদে। গ্রুপ অসিনা পীবা কোপি অমদা মিনিষ্টর অনী, মকোক থোংবা ওফিসল অমা অমসুং গ্রুপ অসিগী লিদরশিংনা পীবা খূৎয়েকশিং উবা ফংখি।

সিভিক্সকী পারা অমা তাকপদা ওজা অমনা মহৈরোয়শিংদা প্রোফেট মোহম্মদ করেম্নবা কার্টুনশিং উৎখিবগীদমক্তা হৌখিবা থাদা ওজা অসিদা চত্থখিবা শাথীরবা এটেক অমগা মরী লৈননা ফ্রান্সনা উৎখিবা থৌওংগী মায়োক্তা মুসলিম লৈবাক কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌনরকখি।

মুসলিমশিংগী ওইনদি প্রোফেট মোহম্মদপু মওং কয়াদা য়েকথোকপা নৎত্রগা উৎপা হায়বসি মহাকপু নৎত্রগা ইস্লামিক লাইনীংবু করেম কথাইনবনি হায়না লৌনৈ। কার্টুনশিং অদুবু অমুক হন্না নমখিবগী থৌওং পাকিষ্টান্না কনে দম তৌখি। গ্রুপ অসিগা গভর্ণমেন্টকা খূৎয়েক পীখিবা এগ্রীমেন্ট অদুদা ফ্রান্সকী অম্বেসেদর তান্থোক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা থা অহুমগী মনুংদা পাকিষ্টানি পার্লিয়ামেন্টনা ৱারেপ লৌবগী ৱাফমসু য়াওখি। মসিদসু নত্তনা ফাজিল্লিবা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং মখোয়গী লিদরশিং থাদোক্লগনি হায়নসু গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঈরাং হৌরিবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অসিনা গভর্ণমেন্টদা ফ্রান্সকা দিপ্লোমেটিক মরী তৎননবা অমসুং ফ্রেঞ্চ অম্বেসেদর পাকিষ্টান্দগী তান্থোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা কেপিটেলগা শম্নবা মরু ওইবা লম্বীশিংগী মনুংদা অমা থিংখি।

# ম্যান্মারগী রুলিং পার্টিনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং থুংহনগনি হায়না থাজবা পীখ্রে

য়াঙ্গোন, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী) : ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সেলর ওং সান সু চিনা লুচিংবা লৈঙাক পায়রিবা নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) পার্টিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং থুংহনগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে।

নবেম্বর ৮দা পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিগী জেনরেল ইলেক্সন্দা পার্টি অসিনা চাউনা মায়পাকখ্রবা মতুংদা মীয়ামদা থাজবা অসি পীখিবনি।

মীখল রিজল্টশিং ওফিসল ওইনা লাউথোক্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা এন এল দি পার্টিনা হায়খি, পার্টি অসিনা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা পনখিবা পান্দম অহুম - ইথনিক এফেয়ার্স অমসুং ইন্টর্নেল পিছকী থৌরাংশিং লৌখৎপা, দেমোক্রেটিক ফেদরেল য়ুনিয়ন অমা শেম্বা য়াগদবা কন্সটিট্যুসন শেম-শাবা অমসুং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট অমদি সিক্যুরিটিগী থৌরাংশিং লৌখৎপা অসিবু পার্টি অসিনা মখা তানা থবক্তা ওন্থোক্কনি। কুমজা ১৯৯০দগী চহী ৩০ হেন্না মীয়ামগী সপোর্ট ফংবা ঙম্লকখি হায়না পল্লদুনা পার্টি অসিনা হায়, মীখলদা মীয়ামনা পার্টি অসিদা থাজবা থল্লকখিবগী পাউখুম ওইনা পার্টিনসু মথৌ মশক খঙনা তৌফম থোকপশিং তৌগনি।

চহী অসিগী জেনরেল ইলেক্সন্দা এন এল দিনা পার্লিয়ামেন্টকী লেভেল অহুমদা সিট অয়াম্বা ফংদুনা চাউনা মায় পাকখি। য়ুনিয়ন ইলেক্সন কম্মিসননা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাউথোকখিবা রিজল্টকী মতুংইন্না, পার্লিয়ামেন্টরি সিট ১,১১৭ কন্টেষ্ট তৌনখিবদা এন এল দি পার্টিনা সিট ৯২০ ফংখি।

পার্টি অসিনা য়ুনিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীদা সিট ৩৯৬ ফংদুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বদা চঙগদবা সিট মশীংদগী হেনখি। রিজনেল নৎত্রগা ষ্টেট পার্লিয়ামেন্টশিংদনা পার্টি অসিনা সিট ৫০১ ফংখি। রিজনেল নৎত্রগা ষ্টেট পার্লিয়ামেন্টশিংগী ইথনিক মাইনোরিটি সিট ২৩সু পার্টি অসিনা ফংখি।

কুমজা ২০২০গী মীখল অসিদা কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্তা কন্টেষ্ট তৌখিবদা চাদা ৪৩ হেন্না মায় পাক্তুনা কুমজা ২০১৫গী মীখলদা মায় পাকখিবা চাদা ৮০গী চাংদগী হেনখি। কুমজা ২০১২গী মীখলদা পার্টি অসিনা কন্টেষ্ট তৌখিবা সিটশিংগী চাদা ৯৫ হেন্না ফংখি অমসুং কুমজা ১৯৯০দা সিট চাদা ৮২ হেন্না ফংখি।

# বেঙ্গালুরুগী রাইওট কেসতা মরু ওইনা চেন্নবা কোংগ্রেস লিদর সমপথ রাজ ফারে

বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী) : বেঙ্গালুরুগী রাইওট কেসতা চেন্নবদগী ফাননবা হোৎনদুনা লাকখিবা সিটি অসিগী হান্নগী মেয়র অমসুং কোংগ্রেসকী লুচিংবা আর সমপথ রাজ বেঙ্গালুরু সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রাঞ্চ পুলিসনা ঙসি ফাখ্রে।

বেঙ্গালুরু জোইন্ট কম্মিস্নর ওফ পুলিস (ক্রাইম) সন্দীপ পটিলনা রাইওট কেসকী মরু ওইবা একুইজ ফারে হায়বসি মীদিয়াদা ৱাটসএপকী খূত্থাংদা কনফর্ম তৌখি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখিবা মতুংদা মহাক হোস্পিটাল অদুদগী নাম্থোক্তুনা হৌখিবা থা অসি কোয়চেন চেন্দুনা লৈরকখি। পুলিসনা লোকল কোর্টতা ফাইল তৌখিবা চার্জশীটতা মহাক বেঙ্গালুরুগী রাইওট কেসতা চেন্নবা লৌতুনবশিংগী মনুংদা অমনি হায়না মমিং পনখিবা মতুংদা মহাকপু হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবনা মহাক্না হোস্পিটাল অদুদগী নাম্থোকখিবা অসিনা ৱাহং কয়া লাকহনখি। মসিগী মমাঙ নিংথৌকাবা নুমিৎতা সী সী বিনা রাজকা নকশিন্নবা রিয়াজউদ্দিন কৌবা এইদ অমা মহাক অমদি হৌজিকসু ফাবা ঙমদ্রিবা কোংগ্রেসকী অতোপ্পা লিদর জাকিরদা চঙজফম পীরম্বগীদমক্তা ফাখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী মতাংদা থিজিনবদা খুমাঙ চাওশিনবগী খোঙথাং অমা লাকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ওগষ্ট ১১দা পুলিকেসি নগরগী কোংগ্রেস এম এল এ অখন্দা শ্রিনিভাসা মুর্ঠিগী মচাশিং ওইবা হৌজিক্লা বেল পীখ্রবা নভিন কুমার কৌবা অমনা ফেসবুক্তা কাঙলূপকী ঈরাং থোক্লক্লিংঙাই ওইবা ৱাফম খরা থাগৎলকখি। ফেসবুক্কী পোষ্ট অদুদা খোইরাং খোইশাওরবা মীওই কাঙবু অমনা কে জি হালি পুলিস অমসুং দি জে পুলিসতা চৎতুনা নভিনগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখি। পুলিসনা তৌফম থোকপা তৌদনা মতম মাঙহন্দুনা লৈবগী থৌওংদা মীওইশিং অদু হেন্না শাউরকখি অমসুং মখোয়না অউ-অউবা পোৎ চৈশিং মৈ থাবা অমসুং লন-থুমশিং হুবগী থৌওং চত্থরকখি। ঈরাং হৌরিবা মীয়ামদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপখি অমসুং মীওই ৪ শিখি। পুলিসনা নোংমৈ কাপত্রিঙৈগী মমাঙদা মোব অদুনা এম এল এগী য়ূম মৈ থাবগা লোয়ননা কে জি হাল্লি অমসুং দি জে হালি পুলিস ষ্টেসনদা লৈবা গাড়ীশিংসু মৈ থাখি। কোংগ্রেসকী লিদরশিং ওইরিবা রাজ অমসুং জাকিরবু ঈরাং থোকহনবগী মরাল শীখি।

# ষ্টেট সিক্যুরিটি কম্মিসনদা ওপোজিসন লিদর য়াওহনখ্রে

অমরাবতি, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী) : অন্ধ্র প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ওপোজিসন লিদর অমসুং টেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি) গী নেসনল প্রসিদেন্ট নারা চন্দ্রবাবু নাইদুবু সিক্যুরিটি কম্মিসনদা য়াওহনখ্রে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কম্মিসনগা মরী লৈননা ওক্টোবর ১০দা ইস্যু তৌখিবা গভর্ণমেন্টকী মমাঙগী ওর্দর অমা এমেন্দ তৌরবা মতুংদা ওপোজিসন লিদর নাইদু কম্মিসনদা য়াওহনখিবনি।

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দরগী মতুংইন্না অন্ধ্র প্রদেশ গভর্ণরনা এ পি ষ্টেট সিক্যুরিটি কম্মিসনগী রুলশিং মখাগী অসুম্না এমেন্দ তৌরে হায়না এমেন্দ তৌরবা ওর্দর অদুদা পনখি।

কম্মিসন অদু ষ্টেট হোম মিনিষ্টর মেকাথোটি সুচারিতানা মকোক ওই অমসুং মদুদা এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদর নাইদুসু য়াওরগনি।

কম্মিসনগী অতৈ মেম্বরশিংগী মনুংদা চীফ সেক্রেটরি, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) অমসুং তোঙান তোঙানবা লমশিংগী শক্লাইরবা মীওই মঙা য়াওরি। মীওই মঙাদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই অমা শোথহৌরবা কাঙলূপশিংদগী ওইগদবনি।

# মসুদ অঝার উনবা চৎপা জাইসকী মীওই ২ দিল্লিদা ফারে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী): বোর্দর লাল্লগা পাকিষ্টান্দা চৎনবা হোৎনরম্বা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদগী মীওই অনী খূৎলায় কয়াগা কোন্ননা ফারে হায়না দেল্লি পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মীওই অনী অসি ট্রেনিংগীদমক্তা অমসুং আউটফিট অসিগী সুপ্রিমো উননবগীদমক্তা পাকিষ্টান্দা চৎনবা হোৎনরম্বনি।



ফারবা মীওই অনী অদু বরামুলাদগী অব্দুল লাতিফ মির অমসুং কুপৱারাদগী অশ্রদ খাটামা কৌই হায়বদি খঙবা ঙম্লে। মখোয় সাউথ দেল্লিগী সরাই কালে খানদগী ফাখি অমসুং মখোয়দগী ফংখিবা খূৎলায়শিংনা সেমি-ওটোমেটিক পিষ্টল অনী অমসুং লাইভ কার্টিজ ১০নি।

পুলিসকী মতুংইন্না মীওই অনী অসি পাকিষ্টান্দা লৈবা অফতাব মালিক কৌবা জাইসকী ওপরেটিভ অমগা খঙনরকখি। মালিকনা মখোয়দা অঝার অমদি মখোয়গী জিহাদতা য়াওনবা হায়খি।

মীওই অনী অসি দেল্লিদা লাক্লবা খঙহনখি। মখোয়না দেল্লিদা মীওই অমা উনগদবনি। মখোয়বু মীওই অসিনা বেসিক ট্রেনিংগীদমক্তা য়ু পিদা মতম খরা লৈহনবগা লোয়ননা মখোয়না বোর্দর লাল্লগা পাকিষ্টান্দা চৎনবসু মীওই অসিনা শিন লাংগদবনি।

থৌরাংশিং অসিগী মতুংইন্না মীওই অনী অসিনা মখোয়গা শম্নবা মীওই অমদগী নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুশিং লৌখি। মীওই অসিসু মখোয়না কুপৱারাদগী পাকিষ্টান-ওক্যুপাইদ কাশ্মীরদা লানশিন্নবা হোৎনখিবসিদা শরুক য়াখি। মখোয় দিল্লিদা লাকপদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফাখি। মিরগী ফেসবুক একাউন্ট অমা মির লাতিফ হায়বা মিংদা লৈ। অঝারগী ফোটোনা মহাক্কী দিসপ্লেগী পিকচর ওই। মহাক্লা সোসল মীদিয়াদা অঝারগী স্পীচশিং তাখি অমসুং জে এন্দ কেবু নীংতমহন্নবা অঝারগী ওর্গনাইজেসন্দা য়াওবা পামখি।

মহাক্লা ন্যুজ চেন্নেলশিংদা মালেমগী মফম শিনথুংনা মুসলিমশিং তাথী-তাওইনা তৌবগী পাউ অমদি অর্সাদ মদানি, মৌলানা মুফতি ফাইজুল ৱাহিদ সাহাব অমসুং জে এন্দ কেদা মুফটি মুজাফর হুসাইন অমসুং নজির অহমদ সহা কাসমিনা পীবা লেকচরশিং তাখি। মীওইশিং অসিনা ঙাঙবশিং তাবদগী মঙোন দা জিহাদকী ৱাখল লাকখি অমসুং হীরম অসিদা কা হেনবা ৱাখল্লোন চেল্লক্তুনা কাশ্মীর নীংতমহন্নবগীদমক্তা মহাক খ্বাইদগী হেন্না শাথীবা থবক থৌরাংশিং পাঙথোক্লবা শেম শাদুনা লৈ হায়না দি সী পি, স্পেসল সেল সঞ্জিভ য়াদবনা ফোঙদোকখি।

# কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা এম আর এন এ ভেক্সিন ইন্দিয়াগী হেল্ঠ এক্সপার্টশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী): ফার্মাস্যুটিকেল জাইন্টশিং ফাইজর-বাইওএনটেক অমসুং মোদর্নানা পুথোকপা এম আর এন এ ভেক্সিন কেন্দিদেট অনী ইন্টরিম এনালাইসিসতা শিংথানীংঙাই ওইনা কান্নরে হায়বসি উৎখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী হেল্ঠ এক্সপার্টশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি হান্না চাংয়েং তৌদুনা খঙখিদ্রিবা টেক্নোলোজিদা য়ূম্ফম ওইবা এম আর এন এ ভেক্সিননা পেন্দমিক অসি থেংনবদা থোইদোক্লা মায় পাকহল্লকপা য়াই।




হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এম আর এন এ ভেক্সিন অমক্তা লৌনগনবা লায়নাশিং থেংননবা লাইসেন্স পীবা লৈত্রি। অদুনা এম আর এন এ ভেক্সিন অমা কোরোনাভাইরসকীদমক্তা এপ্রুভ তৌবা তারবদি মদু অহানবা ওইগদৌরিবনি। এম আর এন এ (মেসেঞ্জর আর এন এ) ভেক্সিনশিংনা হকচাংদা ভাইরসকী প্রোটিন খরা পুথোকহল্লি। দি এন এগী ইন্সট্রক্সনশিংবু থবক্তা ওন্থোকহনবা মোলিক্যুল ওইরিবা এম আর এন এ শীজিন্নরগা হকচাংনা ভাইরসকী প্রোটিনশিং পুথোকহল্লিবনি।

সেল অমগী মনুংদা এম আর এন এ অসি প্রোতিন অমা শেম শানবগী টেমপ্লেট অমা ওইনা শীজিন্নৈ। মোদর্না অমসুং ফাইজর - বাইওএনটেক অনীমক্লা এম আর এন এ টেক্নোলোজি শীজিন্নবনা ভেক্সিন অদুনা ভাইরস অসিগা নপশিন্নবা তৌদে। অসুম্না ভেক্সিন কাপ্পদগী কোভিদ-১৯ লৌরকপা য়াবগী রিস্ক লৈতে।

ভেক্সিন অসিদা জৈনেটিক কোদ অমা য়াওই। মদুনা ঐখোয়গী ইম্যুন সিষ্টমবু কোরোনাভাইরসনা মী শিহনবগী মরম ওইরিবা ভাইরস অসিগী সর্ফেসতা য়াওবা স্পাইক প্রোতিন মশক খঙদোকপা ঙমহল্লি।

ন্যু দেল্লিদা লৈবা ফোর্টিস হোস্পিটালগী মাইক্রোবাইওলোজিষ্ট অমসুং সিনিয়র কন্সলটেন্ট ডা. মোনিকা গুপ্তগী মতুংইন্না মহৌশাগী ভেক্সিন অমগা মান্নদবা মওংদা আর এন এ ভেক্সিনশিংনা এম আর এন এ সিক্বেন্স অমা শীজিন্নরগা মথৌ পাঙথোকই। এম আর এন এ সিক্বেন্স অসিদা সার্স-কোভ-২ হায়বদি কোরোনাভাইরসকুম্বা অকক্লবা লায়নাগী এন্টিজেন অমগী কোদ য়াওই। হকচাংনা হেক পুথোকপদা এন্টিজেন অদু ইম্যুন সিষ্টমনা মশক খঙদুনা থাঙ্গৈশেংনা ভাইরস অদু থেংননবা হোৎনরকই।